# কুমজা ২০১৭ কী মমাঙদা লৈঙাক পায়রম্বা পার্টিশিংগী ঈদা করপসন য়াওদুনা লাকখ্রবনি ঃ যোগি

জোনপুর, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০১৭ কী মমাঙদা লৈঙাক পায়রম্বা পার্টি খুদিংমক্কী ঈদা করপসন হায়বসি মতম পুম্বদা লোয়নদুনা লাকখ্রবনি। মরম অদুনা মতমদুদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংনা করপসনবু মখোয়গী মথৌদাং অমা ওইনা খল্লগা থবক তৌদুনা লাকখিবনি হায়না উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যানাথনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা করপসন তৌবা মী খুদিংমক শোয়দনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংগনি হায়রি।



উট্টর প্রদেশকী জোনপুরদা ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী উরেপ উয়ুং তম্বা অমদি শঙ্গাবগী থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর যোগিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা ঐনা তৌরুবা থবক্কী মহৈ ইশানা ফংবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। মমাঙগী মতমদা লৈরম্বা গভর্ণমেন্টনা অরানবা থবক তৌরম্লবদি মদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং চৈরাক শোয়দনা ফংগনি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী ওইনসু অরানবা তৌবুরবদি মদুগী মহৈ তৌরুরিবা মীওইশিং মশা মশানা ফংবা তাবনি। ঐনা কনাগুম্বা মীওই অমদা চৈরাক পীবা ঙমদ্রবসু ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না অরানবা তৌরুবা মীওইশিং শোয়দনা চৈরাক পীগনি হায়বসি থাজে।

উট্টর প্রদেশতা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্ত্রি ঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা গভর্ণমেন্টশিংগী ঈদা করপসন য়াওদুনা লাকখ্রবনি হায়বসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মমাঙ মতমদা লৈরম্বা গভর্ণমেন্টশিংনা মীয়ামগী মিংদা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া হৌদোক্লমখি। অদুবু হায়রিবা স্কিমশিং অদুদি মীয়ামদা কান্নবা পীবা নত্তে। মতমদুদা লৈরম্বা লৈঙাক্কা নক্নবা মীওইশিং অমদি কন্ট্রেক্টরশিংদা কান্নবা পীবা স্কিম ঙাক্তনি। হৌখিবা কুমজা ২০০৭ তগী ২০১২ ফাওবা ময়াৱাতিনা লুচিংবা বহুজান সমাজ পার্টি (বি এস পি) না উট্টর প্রদেশতা লৈঙাক পায়দুনা লাকখি। মদুগী মতুং ২০১২-২০১৭ ফাওবনা সমাজ ৱাদি পার্টি (এস পি) না লৈঙাক পায়দুনা লাকখি। হায়রিবা মতম অদুদা ষ্টেট অসিদগী মীওইশিংনা অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎপা মতমদা উট্টর প্রদেশতগীনি হায়বা ফাওবা হায়নিংলমদে। মরমদি মখোয়গী মতমদা ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ক্রাইম কয়া থোকখি। অদুবু হৌজিক্তি ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং অহোংবা কয়া পুরকখ্রে। ষ্টেট অসিদা ক্রাইম চথ্নবগী চাং অসি মমাঙ মতমগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক হন্থখ্রে। অনৌবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাল্লি। উট্টর প্রদেশ হৌজিক্তি ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক থোক্তবা ষ্টেট অমা ওইরে। লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমসু য়াম্না ফগৎলকখিবগা লোয়ননা করপসন তৌবগী চাংসু হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর যোগিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


# শোরুম মৈ চাকপদগী নুপী অমা শিরে, গাড়ী ৩০০ লোম চাকখ্রে

জরখন্দ, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
জরখন্দগী মেদিনিনাগর টাউনদা ঙরাং নুমিদাং শোরুম কম গোদাউন্দ অমা খঙহৌদনা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মশাগী চহী ৮০ রোম শুরবী নুপী অমা শিখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা চাকা অনী পানবা গাড়ী মচা ৩০০ রোমসু মৈনা চাকখ্রে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না থৌদোক অসি জরখন্দগী পালামু দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মেদিনিনাগর টাউনদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপা মতমদা থোকখিবনি। মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা মফমদুদা ফায়র টেন্দর ৫ চঙশিন্দুনা মৈ কন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মৈ অদু কা হেন্না কন্না চাকখিবনা মরম ওইরগা মপুং ফানা মুথৎনবা হোৎনবদা মতম খরা লৌখি। ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা মৈ অদু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি। মতৌ করম্না মৈ অদু চাক্লকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং সেন্ট্রেল মিনিষ্টরশিংদা অনৌবা থবকশিং শীন্নখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী লোয়শিল্লকপা শরুক অমদি মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন অমসুং লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং সেন্ট্রেল মিনিষ্টরশিংদা অনৌবা থবক থৌরম কয়া শীন্নখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।



ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না গুজরাটকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি, হান্নগী ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেব কুমার অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং প্রকাস জাবেদকর অমদি মহেস শর্ম্মাদা চহী অসিগী অরোয়বা শরুক অমদি মথঙ চহীগী অঙনবা চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেটশিংগী এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা এসাইন্ট তৌখ্রে।

বিজয় রুপানিনা পঞ্জাবকী ইন-চার্জ ওইরগনি। অদুগা বিপ্লব দেব কুমার অমসুং প্রকাস জাবেদকরনা মথংশিংনা হরিয়ানা অমসুং কেরলাগী ইন-চার্জশিং ওইনা হাপখ্রে। অদুগা মমাঙদা হরিয়ানা ইন-চার্জ ওইরম্বা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি বিনোদ তাওদেনা বিহারগী ইন-চার্জ ওইনা থবক তৌরগনি।

বি জে পিগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিদা হন্দক্তা নৌনা মেম্বর ওইনা খনখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর ওম মাথুরনা ছটিসগরগী ইন-চার্জ ওইরগনি। মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা ষ্টেট অসিগী ইন-চার্জ ওইরিবা ওম মাথুরগী মিৎয়েং মখাদা কোংগ্রেসপু শোয়দনা মায়থিবা পীনবা থাজবা থল্লি।

অমরোমদা, বিহারগী হান্নগী মিনিষ্টর মঙ্গল পান্দেবুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইন-চার্জ ওইনা খনখ্রে। মহাক্না ওরিষা অমসুং টেলঙ্গনাগী ইন-চার্জ ওইরিবা সুনিল বন্সালগা লোয়ননা থবক তৌগনি। হায়রিবা মীওইশিং অসি বি জে পিগী ওইনা পোষ্ট অমত্তা পায়দ্রবসু মমাঙগী ইলেক্সনশিংদা ইন-চার্জ ওইনা থবক তৌরকখ্রবা ঙাক্তনি হায়রি।

# কোংগ্রেসনা কাপশিল্লকখিবা মিসাইলশিং ঐনা রাইফল অমনা মাঙহনখি ঃ গুলাম নবি অজাদ



ভাদেরৱা, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
মমাঙ থাদা কোংগ্রেস পার্টিদগী তোক্তুনা মশাগী ওইবা অনৌবা পার্টি অমা শেম্নবা হোৎনরিবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা গুলাম নবি অজাদনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না হান্না য়াওরম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী সিনিয়র লিদর কয়ানা মঙোন্দা ৱাহৈগী ওইবা মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখি। অদুবু ঐনা মখোয়গী ৱাহৈগী মিসাইলশিং অদু ইচম চম্বা রাইফল অমনা ইরায় লায়না মাঙহনখি হায়রি।

জম্মু অমসুং কাস্মিরগী ভাদেরৱাদা ঙসি পাঙথোকখিবা পব্লিক রেল্লি অমগা মরী লৈননা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসকী হান্নগী লুচিংবা ওইরম্বশিং ইন্দিরা গান্ধী অমসুং রজিব গান্ধীগী মতাংদদি ফত্তবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। কোংগ্রেস পার্টিদা মহাক চহী ৫২ হেন্না থবক তৌদুনা লাকখ্রে। রজিব গান্ধীবু মহাক্কী ময়াম্বা অমা ওইনা লৌই। অদুগা ইন্দিরা গান্ধীবুনা মহাক্কী অপোকপী মমাগুম্বা খল্লি। মখোয় অনীগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবগী রাইট লৈতে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী নৌনা লিংখৎলবা পার্টি অসিগী মমিং হৌজিক ফাওবা থোন্দ্রি। জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মীয়াম্না পার্টি অসিগী মমিং অমসুং পার্টি অসিগী ফিরাল খনগদবনি। পার্টি অসিগী মমিং লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না খঙ্গদবা হিন্দুষ্টানি ওইবা মমিং অমা শোয়দনা থোনগনি হায়রি।

# সোনিয়া গান্ধীগা উন্নরগনি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
ওপোজিসন পার্টিশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিনহন্দুনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সনদা বি জে পি মায়থিবা পীনবা হোৎনরিবা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা সোনিয়া গান্ধীগা উন্নরগনি হায়রি।

ইটলিদা লৈরিবা সোনিয়া গান্ধীনা ইন্দিয়াদা হল্লকপগা উননবা শেম শাদুনা লৈরে। লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি ওপোজিসন পার্টিশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা ইলেক্সন ওই হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM**

**Ref :- Mutation Case No. 88/SDC/H Dated:- 29/08/2022**

Laishram Rupachandra Singh S/o (L) Laishram Angoubi Singh of Wabagai Maibam Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Laishram Angoubi Singh S/o (L) Laishram Mera Singh of Wabagai Maibam Leikai. -OP

**/ NOTICE**

kakching, the 9th September, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, হিয়াংলম তহসিল খুল নং: ৬৬-ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং: ৮৯১ অরিবা পাট্টা নং: ৭০১/১৩৩৬ গী দাগ নং: ৪০৮১/৪১৬৬ কী লম হেক্টর .৬০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লগা উক্ত দংকারি মচানুপাগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথ্নজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Hiyanglam

HL-P/3788/10

# কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৬,০৯৩ থেংনখি, ৩১ শিখি

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৬,০৯৩ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩১ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৬,০৯৩ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৪,৮৪,৭২৯ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৪৯,৬৩৬ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৩১ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,১২১ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৭০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.১১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫ ফাওবদা লায়চৎ অসিনা শোকহনবা মী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি হায়না মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়রি।

**The Manipur Women's Co-Operative Bank Ltd.**
**Paona Bazar, Imphal, Manipur.**

**/NOTICE**

Imphal, the 5th September 2022

The 42nd Annual General Body Meeting of Shareholders, Directors and Members of the Board of the Manipur Women's Co-operative Bank Ltd. will be held on Saturday, the 24th September 2022 at 10.00 A.M. at Gandhi Memorial Hall, Imphal to transact the following business.

i. To receive the 42nd, 43rd and 44th Annual Report of the Board of Directors of the Bank for the year 2019-2020, 2020-2021 and 2021-2022.
ii. To adopt the Audited Statement of Accounts including the Balance Sheet and Profit & Loss Account for the financial year 2019-2020, 2020-2021 and 2021-2022.
iii. To adopt the appropriation of Net Profit of 2019-2020, 2020-2021 and 2021-2022.
iv. To adopt amendment of Bye Laws of the Bank.
v. To adopt Annual Performance Planning (Budget) for the year 2022-2023.

2. All Shareholders, Directors of the Board are requested to make it convienient to attend the meeting well in time.

**Sd/- General Manager/CEO**

Note:
1. Shareholder who wishes to know more about the statement of accounts may kindly visit Bank and get clarification during office hour.
2. Attendance Register for the meeting shall be available for signature from 9.00 A.M. at the venue of the meeting.
3. Only genuine shareholder of the Bank will be permitted to attend the meeting. No substitute attendance will be allowed.

HL/P/4051/10

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF HEALTH SERVICES**

**/NOTIFICATION**

Imphal, the 8th September, 2022

No. 104/1/2022-DHS : In pursuance of the Secretariat : Health Department letter No. MED-407/1/2022-HS-HEALTH : dated 5th September, 2022, all the NEET-UG, 2022 qualified and eligible candidates of Manipur are informed that the Application Form for counselling for selection and nomination of candidates of MBBS/BDS/BASLP courses 2022 will be available at the Directorate of Health Services, Lamphelpat on cash payment of Rs. 2000/- for General/ OBC and Rs. 1500/- for ST/SC respectively on the following dates and time.

| Sl. No. | Activity | Date |
|---|---|---|
| 1 | Issue of Applications Forms | From 9th to 14th September, 2022 |
| 2 | Submission of Application Form | On or Before 21st September, 2022 |
| 3 | Issue of Acknowledgement Card | 26th to 30th September, 2022 |
| 4 | Declaration of Merit list (applied candidates) | 28th September, 2022 |
| 5 | Date of Counselling : | will be notified latter on. |
| 6 | Venue of Counselling : | JNIMS Main Auditorium, Porompat. |

Further information of the date and venue of counselling will be uploaded on our official website : www.manipurhealthdirectorate.mn.gov.in or can be had from this Directorate Notice Board.

HL/P/4053/10

**Sd/- Director of Health Services, Manipur**

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT : PLANNING DEPARTMENT**

**/NOTIFICATION**

Imphal, the 7th September 2022

No.1/57/2015-Plg(Pt-1) : In slight modification of this Department Notification dated 27th December 2019 and No. 1/57/2015-Plg(Pt) dt. 27/12/2019 issued by Planning Department for direct recruitment of three posts of Research Assistant and seven post of Research Investigator (Grade-III level), the following are the revised scheme/ changes made for recruitment as per the OM of DP No. 1/22/2005-OR-III/DP dated 18th September 2021, other terms notified earlier remaining the same:

i) Written test would consist of one paper of 100 nos of Multiple-Choice Type Questions each carrying 1 mark for correct answer with a total of 100 marks.
ii) Duration of the test would be three hours.
iii) There would be no negative marks for incorrect answers or questions not attempted.
iv) Scheme of the examination for recruitment to Group-III posts will be i) General Intelligence and Reasoning (25 marks), ii) General Knowledge (25 marks), iii) English Language (25 marks) and iv) Quantitative Aptitude (25 marks).

2. Modified General Instruction and Indicative Syllabus for both the post of Research Assistants (RAs) and Research Investigators (RIs) is at Annexure-I.

3. Date of Examination and centre of examinations will be indicated on the Admit Card to be issued (to eligible candidates who have applied earlier) from 19th September 2022 at the Receipt/Issue counter of Secretariat Planning Department, Babupara.

**Sd/- Director (Planning)**
**Manipur**

HL/B/7820/9, 10

# এ এ পি লুচিংবশিংগী য়ুম মমাঙদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৯ (এজেন্সী) :
দেল্লি বি জে পিগী থৌমীশিংনা লিকর স্কামগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী ময়ুম মনাক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে হায়রি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা বি জে পি দেল্লি য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অদেস গুপ্তানা ফোঙদোকখিবদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মনিস সিসোদিয়াগুম্বা অরানবা থবক তৌবা মীওই অমা য়োকখৎতুনা থল্লিবা অসি লাইবক থিবনি। মনিস সিসোদিয়াবু দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোক্ত্রি ফাওবা বি জে পিগী খোঙজং হন্দোক্লোয়। মীয়াম্না লিকর স্কামগী মতাংদা খঙবা পাল্লি হায়রি। ঙসিগী খোঙজং অদুদা ওপোজিসন লিদর রামবির সিংহ বিধুরি অমসুং বি জে পি দেল্লি য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি দিনেস প্রটাপ সিংহসু শরুক য়াখি হায়রি।

HL-P/3658/12/8-12/9




HL-B/7784/ 5/8 (Alt 30 days)

